HUEIYEN LANPAO

# লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা দি জি পিদা মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরশিং খুদোল তমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): মমাঙগী কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা তমথীরবা লায়না-লাইচৎ নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না পীল্লবা ষ্টেট অসি য়ৌশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা মতম অদুদগী হৌরদুনা মণিপুরদা পেন্দমিক অসিগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না টুটেল লোকদাউনগী খোঙজং ফাওবা চঙশিন্দুনা মায়োক্লরকপদগী লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা পেন্দমিক অসিবু লাম্থেংনরিবা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা মীওই কাঙলূপশিংদা অঙন্বা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোক্তুনা লাকখিবগী মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসর ওইরিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদা ফেস মাস্ক ৩০০ অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর ২০০ খুদোল তমখ্রে হায়রি।

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মায়কৈদগী লায়ন এম মনাসনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা ঙসিগী পেন্দমিক অসিগা মরী লৈনবা খুদোল পোৎশিং অদু ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট লায়ন আই গোজেন্দ্র, লায়ন ৱাই মংলেম অমসুং লায়ন টি ঐচ ইমোমচানা শরুক য়াবা অচম্বা থৌরম অমদা দি জি পি, মণিপুর এল এম খৌতেদা খুদোল ওইনা পীখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মায়কৈদ্দগী চথূরক্লিবা থবকশিং অসিদা দি জি পি, মণিপুরগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা পুলিস ফোর্স অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়রশিংগী মনুংদা অমনি হায়রদুনা মখোয়বু নুংশিবা উৎপা অমসুং ইকায়খুম্নবীবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী নোদল ওফিসর ওইরিবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল প্রিয়োকুমার য়াওনা দিপার্টমেন্ট অসিগী সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# দব্লিয়ু এ দিগী রিপোর্টিং এৱার্দ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মালেম শীনবা থুংনা চথূরক্লিবা প্রোটেক্টিং ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেনগী ওবজার্ভেসন থাখায়গী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ দি) গী মায়কৈদগী লমদম অসিগী প্রিন্ট/ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদগী খনগৎলবা মীওইশিংদা বেষ্ট রিপোর্টিং এৱার্দ ২০২০গী মনা পীরগনি হায়রি।

দব্লিয়ু এ দিগী কোওর্দিনেটর সাইফু রিংনৈফুম্না থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না বেষ্ট রিপোর্টিং এৱার্দ অসিগী থিমনা 'কোভিদ-১৯ পেন্দমিক এন্দ ইটস ইম্পেক্ট ওন ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ইন মণিপুর' হায়বসিনি হায়রি।

এৱার্দ অসিগীদমক হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৩দগী হৌরগা দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়না ফোঙখিবা ন্যুজ ক্লিপিং/ভিদিও ফুটেজশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী ফবা অহুম খনগৎলগা বাইও দাটাশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা দব্লিয়ু এ দিগী ওফিসতা সবমিট তৌরক্কদবনি হায়রি। সবমিট তৌরক্কদবা দোক্যুমেন্টশিং অদু পাউমীশিং অদুগী এদিটরশিংনা ভেরিফাই তৌরবা ওইগদবনি।

# লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লাঙ্গোলদা লৈবা নুপীশিংগী লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা নাউরেমথোং লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা লোইতোংবম ইবোয়াইমা অমদি লোইতোংবম ওংবি জুপিতাগী মচানুপা নিও কোরৌ লোইতোংবমগী মরিশুবা মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা হোম অসিদা লৈরিবী ইনমেট নুপীশিংগী চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে।

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙবিরম্বগীদমক হোম অসিগী চ্যেরমেন ওইনাম মঙ্গিনা লোইতোংবম ইবোয়াইমা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী জুপিতাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লোইতোংবম ইবোয়াইমগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী হোম অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগীদমক পীরমখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা চেঙ, হৱাই, ঙারি, অচাথাউ অমদি অতোপ্পা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়াওখি হায়রি।

হোম অসিদা ঙসি য়াম্না চন্না পাঙথোকখিবা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হোম অসিগী ইনমেট অহল ওইরবশিংগী মায়কৈদগীসু লোইতোংবম ইবোয়াইমা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংদা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নুংঙাই-য়াইফনা লৈনবা শেম্বীবা তাইবঙ মপুদসু থৌনিজখি হায়রি। থৌরম অদুদা হোম অসিগী ক্যের টেকর ওইরিবা বিমোলসু শরুক য়াখি।

# কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তা লৈরিবা সেন্টর ফোর ইলেক্ট্রোনিক ইন্দষ্ট্রি (সেলিন) গী য়ুনিট অমা ওইরিবা সেলিন দিজিটেলনা এন আর মীদিয়াগা খূৎশম্নদুনা লেপ্তুনা চথূরকপা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙসিসু দাইমন্দ রেদিও, খোংজোমগী কমপ্লেক্সতা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী মনুং চনবা মফম অসিদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জোংবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোকখ্রে হায়দুনা থৌশাদবা য়াদে। চেকশিনবগী মথক্তা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তারি। ঐখোয়না লাইচৎ অসি মতম খরদি লোয়নদুনা অদুমক লৈখিগদবনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী চৎনে-কাঙলোনশিং কাউবীরোইদবনি হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্লা লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা পীবা এস ও পিশিংগী মরমদা খঙলবসু নৌহৌননা নীংশিংবগী মথৌ তাবনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈনবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারখিবা নুপী অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়াদা সেলিন দিজিটেল অমসুং এন আর মীদিয়াগী মায়কৈদগী মীওইশিং অদুনা তঙাইফদনা শীজিন্নফম থোক্লিবা ফেস মাস্কশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

# জুকো তম্পাক্কী লমগী ৱাথোক লোইশিনবা থিন্থমল্লগনি : য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): হৌখিবা চহী ২০২০গী দিসেম্বর ২৯ অদুৱাইদগী হৌরকখিবা লাম্মৈনা মণিপুরগী খ্বাইদগী মমল য়াল্লবা লমখৈগী শরুক অমা ওইরিবা জুকো তম্পাক্কী অমদি অকোয়বগী চীংগী শরুকশিংদা চাল্লকখিবা অসি খূৎশেমগী লাম্মৈরা নৎত্রগা মহৌশানা হৌজরকখিবা মৈরা হায়বসি মীয়াম্না খঙনীংলি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল থাদগী মতমদুদা কোজিরিগী লমগী শরুকশিংদা লমগী করাম চাউবদা অৱাং নোংপোক্তা মমিং লৈরবা য়ূমথংনরিবা খুঞ্জা অঙ্গামি নাগাশিংনা অকন অরিং শীংদুনা লাঞ্জদ্রবা মাওগী ইরৈচা কয়াবু লম্বীদা চৎথোক চৎশিন ফাওবদা অথিংবা পীদুনা য়ৈখাই থিনগাইবা চথখিবা লৈখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মপিুর (য়ু সী এম) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মতম অদুদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চয়েৎনরিবা লমখৈগী শরুকশিং অসি লোইশিন্নবগী তাংদাংবা থবক অমা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। কয়ারক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্টর ষ্টেট বাউন্দরিগী ৱাথোকশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা লাউজখ্রবসু লোইশিনবা ঙমদনা লাক্লি হায়রি।

মমল য়ামখ্রবা জুকো অমদি অকোয়বগী লমগী শরুকশিং অসি ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরল অমগুম্না শীজিন্নবা ঙমজদবা, মফম অদু য়ৌনা চঙলুগে হায়বা ফাওবদা মীগী লম ফাওদুনা চৎপা অসিনা ঐখোয়গী লমনি হায়বদা মপূং ফানা হায়জবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরকখি। ওইরক্লিবা ফীভমসিগী খুদোংচাবা পূন্না য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দগী খুঞ্জা সাউদর্ন অঙ্গামি কাঙবুনা অপূনবা জুকোগী লমগী শরুক অহুম থোকপগী অমখক্কী মপু ওইবা অদুদগী হেঞ্জিল্লক্তুনা লম্বী লমদাং খুদোংচাদবগী তাঞ্জা লৌদুনা অপূনবা জুকোগী লম অসি মখোয়গীনি হায়না হায়জিল্লক্লে হায়রি।

অদুবু হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা সেনাপতিদা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমনা মাওদগী জুকো ফাওবা লম্বী অমা শেম্নবগী ৱারেপ লৌদুনা থবক হৌনবগী লাউথোকখ্রবা মতুংদা সাউদর্ন অঙ্গামি পিপল ওর্গনাইজেসন (সাপো) না জুকো অসি মখোয়গীনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরকপনি হায়রি।

মদুমক্তা নাগালেন্দগী অঙ্গামিশিংনা লাউজরবসু লম অসিগী মীয়াম্না লম্বী শেম্লগনি হায়বগী নুংঙাইবা অদু ফোঙদোক্লদুনা থবক য়াঙশিন্না তৌদুনা ঐখোয়গী মায়কৈদগী লম্বী ফাওদুনা জুকো য়ৌবা ঙম্লগনি হায়না হরাওনরিঙৈ চৈরক্তা খঙহৌদনা লাম্মৈ চাল্লকপগী পাউ অমা লাকখিবা অসিনা ঐখোয়গী ৱাখল কায়হল্লে হায়রি।

ৱাফমশিং অসি পূনশিন্দুনা য়েংবা মতমদসু মৈ হৌরক্লিবা অসি তশেংনমক মহৌশাগী লাম্মৈনা চাক্লকপা ওইরিবা নৎত্রগা খূৎশেমগীরা হায়বা অসি খঙদোক্লবা হোৎনবসু অদুক্কী মতিক তঙাইফদবা অমা ওইগনি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা লৌই হায়রি।

লোয়ননা চয়েৎনরিবা লমগী শরুক অসি পাল্লিবা লৈঙাক অনী হায়বদি মণিপুর লৈঙাক অমদি নাগালেন্দ লৈঙাক অনীগী মরক্তা ৱারী শাদোক্লদুনা অমদি য়ূমথংনরিবা মাও অমদি অঙ্গামি খুঞ্জাশিং য়াওনা ফম্মিন্ননবা থৌরাং পায়খৎনবা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মথৌ তাবা ইন্টর ষ্টেট বাউন্দরি কম্মিসন লিংদুনা লোইশিন্ননবা হোৎনবা তঙাইফদ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী মায়কৈদগীসু মতম মতমগী অসুম তুমশিল্লকপগুম তৌরিবা মণিপুরগী লমখৈগী শরুকশিং অসি তংতাবা ফীভমদা ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙম্নবা মথৌ তাবা থবকশিং পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৌখৎপীয়ু। মাও মীয়াম্না জুকো তম্পাক্কী য়াইফনবগীদমক্তা লৌখৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তসু অঙম্বা মতেং পাংনবা মতম পূন্বদা য়ু সী এমনা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।

লোয়ননা হন্দক্কী লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্মদ পুলিস, ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স, মণিপুর ফায়র সর্ভিস, নেসনল দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স অমদি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সপু য়ু সী এমগী মায়কৈদগী পূক্নিং থৌগৎলি। লোয়ননা জুকোগী মৈ কনবদা মতেং পাংনবা লাকখিবা নেসনল দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্সকী টিমগী মরক্তগী লুৱাংশংবমদগী বিনোয় মীতৈনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা খঙহৌদনা লৈখিদবা থৌদোক অসিগী মতাংদসু য়ু সী এমগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা নোংথোম্বম বিনোয় মশাগী চহী ৪৫ রোম শুখ্রে। মহাক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লুৱাংশঙবম মনিং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন অচৌগী মচানুপানি। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী অনী লৈহৌরি। মহাক লাম্মৈ চাক্লিবা অসিবু মুথৎনবগীদমক চঙশিনখিবা এন দি আর এফকী মীওই ২৮না শাবা টিম অমদা য়াওখিবনি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গী লান পাথরক্লে হায়দুনা নর্স, এম টি এসশিংবু ইন্থোকপীগনু : এম এ পি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মালেমদা কিনরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা শন্দোরকপদগী মণিপুর য়ৌরকখিবা মতমদা লৈঙাক অসিনা লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীখিবনা ঙসিদি শাফৱবা ফীভম অমদা লৈরক্লে।

মতম খরগী মমাঙদদি লায়না অসিবু লায়েংনবা হীদাকসু লৈত্রিঙৈ অদুগা লৌনগনবা লায়নাসু ওইবনা লৈকায় লৈকায়দা শম্বল খাদুনা মমা-মচা ওইবা অনাবগী মনাক্তা ফাওবা চঙবা কিন্দুনা চঙনখিদ্রবা মতম অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদ্দগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক ক্বারন্টিন সেন্টর কয়া লিংখৎখি। লোয়ননা লৈঙাক্কী লায়েং লোইশঙদা ষ্টাফ মশীং ৱাৎপদগী অনাবা শেন্ননবা অমদি লায়েংবদা ডোক্টরশিংগী মতেং পাংনবগীদমক তঙাইফদনা নর্স অমদি মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ (এম টি এস) খরা লৌদুনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবদা মাঙজিল থাবা লান্মী ওইহনখি হায়রি।

ৱাফম অসি মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গল (এম এ পি) গী ফাউন্দরসু ওইরিবা নেসনল এৱার্দি আর কে বিশ্বজিৎনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নর্স অমসুং এম টি এসশিংবু শিবা কিন্দনা মাঙজিল থাবা লান্মী ওইখিবগীদমক ইকায়খুম্নবীফম থোকই। হৌজিক কোভিদকী লান লোইহ্রিঙৈগী চৈরক্তা হেন্না শাথিবা ষ্ট্রেন কোভিদনা মীওইববু অমুক শীংনরক্লি। মরম অসিনা মতম খরগী ওইনা লৌখিবা নর্স অমদি এম টি এসশিংবু কোভিদকী লান খরা পাথরক্লে হায়দুনা ইন্থোক্তুনা থম্বীরবদি মতুংদা লৈঙাক্কী থৌশিলদা মাঙ থানা শিবা কিন্দনা খুন্নাইসিগী মীয়ামগীদমক চোঙথোকপীনিংঙাই লৈরক্লেই। মরম অদুনা মখোয়গী সর্ভিস প্রোটেক্সন পীবিবা চুমগনি হায়খি।

লোয়ননা ঙসি মীয়ামগীদমক লেপ্লিবা লৈঙাক অসিনসু মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোকখিবা নর্স অমসুং এম টি এসকী মীওইশিংবুসু ইন্থোক্তুনা থম্বীরক্কদৌবা মান্দে হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গলগী মায়কৈদগীসু ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়রি।

# লৌমীশিংগী প্রোটেক্টকীদমক ফার্মরস জোইন্ট এক্সন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৌমী লূপশিং, লৌমীশিংবু শৌগৎপা লূপশিং অমসুং ইন্টলেকচ্যুএলশিংনা ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদতা পূন্না ফম্মিন্নদুনা হৌজিক লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা চথূরক্লিবা লৌমীশিংগী প্রোটেক্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা লৌমী লূপশিংগী মীহুৎশিংনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ষ্টেট অসিদসু লৌমীশিংগীদমক প্রোটেক্ট তৌনবা ফার্মরস জোইন্ট এক্সন কম্মিটি, মণিপুর কৌবা প্রোটেক্টকীদমক অপূনবা লূপ অমা শেম্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা ইরাবত ভবনগী মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি হাওবিজম ইবোবীনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিগী খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন সিংজিৎ, মণিপুর লৌমী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাইরতন অমসুং নেফিসকী লুচিংবা কে চিংলেননা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসিগী মীফমনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা চঙশিল্লক্লিবা লৌমীশিংগী প্রোটেক্টশিংদা শৌগৎপগা লোয়ননা মণিপুরগীসু লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পূন্না পুখৎতুনা ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পূন্না পুখৎতুনা লৌমী মীয়ামগী য়াইফনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়নসু ৱারেপ্পখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপ, মণিপুর লৌমী মরুপ, লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ, শময়ুক্তা কিষান সভা, ওল ইন্দিয়া অগ্রাগামি কিষান সম্মিটি, ভারত খেট মজদুর য়ুনিয়ন, নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস)কী মীহুৎশিং অমসুং লন্নাই অখঙ অহৈ কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি। ঙসিগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না জে এ সী অসিগী কনভিনর ওইনা হাওবিজম ইবোবীবু খনখিবগা লোয়ননা কেচীংলেনবুনা কো কনভিনর ওইনা খনখি হায়রি।

# তম্পাক্কী সী এস ও অমসুং মীয়াম্না লোবু খূৎতা পায়শিনগনু, লুখোসৈ জৌদা তাইনবা লেপ্পু : মোরেগী লূপশিং




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) গী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌগী লম্ফেলদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী ভি আই পি ক্বার্টরদগী য়াল্লবা দ্রগশিং শেল অমদি নোংমৈনচিংবগা লোয়ননা ফাগৎখি হায়বা কেসকী ৱায়েলদা মীওই অসিবু মরাল লৈত্রে হায়দুনা একুইট তৌখ্রবা মতুংদা ৱায়েল অসিগা মরী লৈননা থোরকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরেগী মফম অমদা নুপী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মফম অসিগী তোঙান তোঙানবা লূপ মরিগী লুচিংবশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ভেল্লি বেজ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিং অমসুং তম্পাক্কী মীয়াম্না লোবু মখোয়গী খূবামনুংদা পায়শিনগনু হায়বগা লোয়ননা মীওই অমা নৎত্রগা খরগী থৌইনশিন্দগী লুখোসৈ জৌবু হরাসমেন্ট পীবা তোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসি খা নোংপোক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি এল বিনাকুমারি, গোরখা মহিলা সেৱা সম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ভিমা বন্দারি, মুসলিম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট জুবেদা বেগম অমসুং কুকি ৱিমেন য়ুনিয়ন অমসুং হ্যুমেন রাইটস, মোরেগী প্রসিদেন্ট হাটনৈকিম মাটেনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লন্নাই ইন্টরেষ্টতগী কোর্টনা মরাল লৈতে হায়দুনা প্রুভ তৌখ্রবা লুখোসৈ জৌ অমুক হন্না ফাহন্নবগীদমক ইনশিল্লিবা তম্পাক্তা বেজ তৌবা সী এস ওশিংগী থবকশিং অপূনবা ৱিমেন ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

লুখোসৈ জৌ অসি মরাল করিসু লৈতনা মহাকপু লন্নাই মীওই খরনা পর্সনেল নুংঙাইনদবদগী ইলিগেল ওইবা মওংদা চার্জ তৌখিবনি হায়রি।

লোয়ননা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা ইনফোর্মেসনগী মতুংইন্না ইলিগেল দ্রগশিং মন্ত্রি পুখ্রিদা লোৎশিন্দুনা থম্লে হায়বা ইনফোর্মেসন্দগী টি ঐচ বৃন্দানা লুচিংবা নার্কোটিক এফ্যেরস এন্দ বোর্দর (এন এ বি) গী পর্সনেলশিংনা ফাননবা হোৎনখিবনি। পুলিসনা দ্রগশিং অদুবু ফাগদৌরে হায়বা খঙবদগী মসিগী মপু ওইরিবা এ দি সীগী চ্যেরমেন ওইরম্বা মীওই অসিগী ময়ূমদা পুলিসনা ফাদনবগীদমক লোৎশিন্নবা দ্রগ মপু চিনলিয়ানখুপনা এ দি সী ওইরম্বা মীওই অসিগী দ্রাইভর থাংমিনলুনবু থাখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক থাংমিনলুন জৌদগী দ্রগ খরা ফাগৎখিবদা নত্তনা মহাকপুসু ফাগৎখি। মহাক্লা হায়দোরকপগী মতুংইন্না দ্রগশিং অদু এ দি সী চ্যেরমেনগী ওফিসল কেম্পস অদুগী মনুংদা লৈবা মহাক্কী কাদা লোৎশিন্দুনা থম্মী হায়রকখিবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌরদুনা লুখোসৈ জৌবু মরাল অমত্তা লৈতনা ফাখিবনি হায়রি।

লুখোসৈ জৌবু মেদিকেল গ্রাউন্দদা ইন্টরিম বেল পীখিবদগী হৌরদুনা তম্পাক্তা বেজ তৌবা সী এস ওশিংনা মরম চাদনা বেল অদুগী মায়োক্তা লেপ্পা হৌরকখি। লুখোসৈ জৌবু লোক-অপতা থল্লিঙৈ মতমদা মহাক্কী মথক্তা চার্জশীট থাগৎতনবগীদমক য়াল্লবা শেনফম অমা পীননবা দিমান্দ তৌরকখিবা লৈ হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্লা শেলশিং অদু পীখিদবগা লোয়ননা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা অরানবা রিপোর্টতগী মহাকপু চার্জ তৌখিবগা লোয়ননা লুখোসৈ জৌগী মথক্তা ভেলিদ ওইবা প্রুভ য়াওদনা চার্জশীট থাগৎলগা জেলদা থাজিনখিবনি হায়রি।

লুখোসৈ জৌগী বেল প্রেয়রবু কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা টি ঐচ বৃন্দানা অকল অরিং শীংদুনা কোর্ট অদুগী জজ ফাওবদা থ্রের্টন তৌখিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। মসিদগী কোর্টনা কেস অদু এদজোর্ন তৌখি। টি ঐচ বৃন্দাগী মায়কৈদগী লুখোসৈ জৌবু থাদোক্লবগীদমক শেল য়াম্না পীননবা হায়খিবা লৈখি। অদুবু মহাক্তি মরাল লৈতবনা শেলশিং অদু পীখিদবনি হায়রি।

কুকি কষ্টমরি কোর্টনসু লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না প্রুভ তৌবগা লোয়ননা ফাখিবা দ্রগশিং অদু হৌজিক ফাওবা চিনলিয়ানখুপ জৌনা লোৎশিন্দুনা থল্লিবনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা চিনলিয়ানখুপ জৌগী ইমুংগী মীওইশিংনা দিসেম্বর ২৮, ২০১৯দা কুকি কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না লুখোসৈ জৌদা মখোয়না তৌখিবা মরালশিং অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জরকখিবসু লৈ হায়রি।

জজনা কেস অদু টেকল তৌবদা অকিবা পোকপদগী হায় কোর্টনা থারকপা ন্যুত্রেল ওইবা জজ অমনা ৱায়েল চথবদা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈরমদবা থেংনবদগী মহাকপু কেস অদুদগী একুইট তৌখিবনি।

মোরেগী সী এস ওশিংগী মায়কৈদগী ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকীদমক চঙশিল্লক্লিবা এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিবু তৌবীমল খঙবা উৎলি। সী এস ওশিং অসিনা লৈঙাকপু মতম পূম্নমক্তা শৌগৎকনি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক্তি মেট্টর অসি টি ঐচ বৃন্দানা লুখোসৈ জৌগী মায়োক্তা চঙশিনবা ৱার অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# অনৌবা চহী কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): পাইওনর য়ুনিফাই ক্লব (পি য়ু সী) থৌবাল খুনৌনা শিন্দুনা অনৌবা চহী কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কাউন্সিলর মোইরাংথেম রবি, তায়েঞ্জম সরত অমদি লাইশ্রম লোখোননা মপুং ওইনা চহী অসিগী ওইবা কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ঙসি পাইওনর য়ুনিফাই ক্লব (পি য়ু সী) থৌবাল খুনৌনা শিন্দুনা কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অদুদা থৌবাল খুনৌ ৱার্দ নম্বর ১৮গী কাউন্সিলর মোইরাংথেম লোখোননা ফোঙদোকখিবদা থৌবাল খুনৌগী মনুংচন্না পায়খৎলকপা চাওখৎ থৌরাংশিংগী থবক-থৌরমশিংদা পাইওনর য়ুনিফাই ক্লবনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি।

হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেং মরক অসিদা অমনা-অমগী মতেং পাংনদুনা লৈঙাক্লা শেল্লিবা কোভিদ-১৯গী চৎনে-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎতুনা চেকশিন্না লৈমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা থৌবাল খুনৌদা লৈরিবা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংশিংগী মহৈরোয় কয়াগী লাইরিক তম্বদা মতেং পাংবগা লোয়ননা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপিবা মথৌ তাই। মদুনা থৌবাল খুনৌগী মিংচৎ পুরকপা খক নত্তনা ইরমদম মণিপুরগী মায়পুরকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি। কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অদুদা পাইওনর য়ুনিফাই ক্লবকী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু পহারি, সেক্রেটরি জেনরেল মাইবম অমরজিৎ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ বোবোচা অমদি ক্লব অসিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# তোঞ্জম শ্যামকেশ্বর লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম মায়কৈগী অহানবা এদভোকেট ওইবদা নত্তনা মণিপুরগী কো-ওপরেটিভ মুভমেন্টশিং, লৌমী শিংগী প্রোটেক্টশিং অমদি মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট ওইহন্নবগী চঙশিনখিবা ষ্টেটহুদকী প্রোটেক্ট অমদি মণিপুরী লোলগী ঈহৌদা মশক থোক্লা শরুক য়ারকখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিস) কী লুচিংবা অমসু ওইরম্বা তোঞ্জম শ্যামকেশ্বরনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী পি এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা থোরকপা চেরোল অমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মাক্সিস অমসুং লৌমীগী লুচিংবা এদভোকেট অসি ঙরাং খুন্দ্রাকপমদা লৈবা মশাগী য়ূমদা মতম কুইনা লায়েংদুনা লাক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি। মশাগী চহী ৭৮ রোম শুখ্রে। মহাক লৈখিদবদা ঙসি সী পি এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্নহৌরিবা অৱাবদসু পার্টি অসিনা শরুক য়াগনি হায়রি। মহাক ৪শুবা অমসুং ৬শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা পার্টিগী মীরেপসু ওইখি হায়রি।